# কাদানা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফমশিংদা পোষ্টর কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে

*এস এন এস*

ইম্ফাল , জুন ২২ ঃ কোলিয়েসন এগেন্স দ্রগস এন্দ আলকোহোল (কাদা)না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা নিশা মরু ফঙনা মুত্থৎনবগী পান্দমদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা জুন ২৬ অসিবু ইন্টরনেস্নেল দে এগেন্স দ্রগ এব্যুস এন্দ ইল্লিসিট ট্রাফিক্কিং হায়দুনা মালেমগী অতৈদা পাঙথোক্লবগুম চহী অসিগীসু লাক্লিবা জুন ২৬,২০১৭ অসিদা পাঙথোক্কদৌবা প্রোগ্রাম অসিগী মনুংচন্না ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা নিশানা পীরিবা অমাঙবা কয়াগী পাউজেল য়াওবা পোষ্টর কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, কেম্পেইন অসি দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিয়েল ৱেলফিয়ারগী স্পোন্সরসিপকী মখাদা কাদানা তোঙান–তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংনা পাঙথোকপগী মনুং চনবনি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা 'মণিপুর সরকারনা য়ু লাইসেন্স পীদুনা শুংহনবা য়ারোই, মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট, ১৯৯১ মপুং ফানা চৎনহল্লু, হিদাক মনা (টোবাকো)গী পোৎলম মপুং ফানা থীংউ, মণিপুর ষ্টেট দ্রগ পোলিসি অথুবদা শেম্মু, সরকারনা দ্রগ লল্লোনবশিং মতম চানা চৈরাক পীয়ু, লমদম অসিগী মীয়াম নিশাগী ঈপাক্তগী কলহৌরসি'' হায়বা মহৈশিং য়াওবা পোষ্টর অদু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফমশিংদা কাদা হেদ ওফিসকী থৌমীশিং অমসুং কাদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী থৌমীশিংনা মোইরাং বজার, মোইরাং লমখাই, ফুবালা বজার, থিনুঙ্গৈ বজার, নিংথৌখোং বজার, বিষ্ণুপুরনচিংবা মীয়াম তিনবা মফমশিং অমসুং লোকেল ওটো সার্ভিসশিংদা পোষ্টর কেম্পেইন চত্থখি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা কাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী থৌমীশিংনা খুরাই লম্লোং বজার, বামোনকম্পু, ইরিলবুং, ৱাঙ্খেম, উচেকোন খুনৌ, খোঙমন, মখা তানসু ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, ককচীংগী মফমশিংনা ইন্টরনেস্নেল দে এগেন্স দ্রগ এব্যুস এন্দ ইল্লিসিট ট্রাফিক্কিংগা মরী লৈননা পোষ্টর কেম্পেইন, লিফলেট কেম্পেইন, ষ্ট্রিট কোর্নর পাঙথোকখিগনি।

নাকল অমরোমদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তাবা মতমদা কাদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমসুং কাদা চোঙাবী য়ুনিট অনীনা খূৎশম্নদুনা উচেক্কোন ৱাংমদা লৈবা থোকচোম প্রভা (৫৫) মপুরোইবা টিঐচ কাওবদগী য়ু লিটর অমা অমসুং য়ু য়োনবগী পোৎলমশিং ফাগৎখ্রে, হায়রিবা মীওই অসি কাদা অমদি লৈকাইগী মৈরা পায়বীশিংদা অকন–অরিং শিংদুনা য়ু য়োল্লকপা মীওইনি, কাদাগী ইমাশিংনা চঙশিনবদা য়ুশিং হান্না লোৎশিল্লম্বনা য়ু য়াম্না ফাগৎখদবনি।

ফাগৎখ্রবা য়ু গী পোৎলমশিং অদু মৈ থাদুনা মাঙহনখ্রে হায়রি।

# ৱাটর ফোল মশক থীহন্নবা হোৎনবা লাইবক থীবনিঃ *ভিলেজ ওথোরিটি*

*এস এন এস*

ইম্ফাল , জুন ২২ ঃ কাঙপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা সদু চিরু ৱাটর ফোলদা অশিবা হকচাং অমা তাদুনা লৈরে হায়না কনাগুম্বা খরনা ফেসবুকতা ফোটো থাগৎখিবা অদু অশেংবা নত্তে। ৱাটর ফোল অসিবু মশক থীহন্নবা মীওই খরনা শেমজিন–শাজিনবা থৌওংনি হায়না সদু চিরু ভিলেজ ওথোরিটিগী চীফ টিদি দ্রোইখা চিরুনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অমদা হায়, ওইদ পাদবা থৌওং অসি অমুক হন্না তৌবীদনবা অমদি খুনজাশিংবু উশিৎ–থওইদবা মওংদা খনবসি য়াম্না নুঙাইতে।

সরকারগী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনসু অসিগুম্বা থৌওং মতুংদা অমুক থোক্তনবা থীগৎপীয়ু হায়নসু সদু চিরুগী মীয়াম অমদি ৱাটর ফোর কম্মিটিনা অপিল তৌরি।

অসিগুম্বা থৌওং মখা তানা কনাগুম্বনা অমুক হন্না থোকহল্লকপা তারবদি মদুদগী থোরকপা অফ–ফত্তগী দায়ত্ব পূম্নমক মশা–মশানা পুজগদবনি।

লম কোইবশিংগী পূক্লিং চিংশিন্নিংঙাই ওইরিবা ৱাটর ফোল অসিবু য়েংবা লাকপা মীয়াম্বু তরাম্না ওকই। তৌবতবু ঙাক শেন্নবা হোৎনরিবা ভিলেজ কম্মিটি অমদি মীয়াম্বু উশিৎতবা মানবা থৌওং চত্থরক্লবদি লম কোইবশিংগী পূক্লিং হন্থহনবা ওইগনি। অদুনা অসিগুম্বা থবক মতুংদা তৌবীগনু। মীয়ামগী পূক্লিংদা অকিবা লৈরবসু থাদোকপীয়ু। মহৌশাগুম য়েংবা লাকপীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা পাউজেল্লি।

# ১২শুবা দিএলসিৱাইসি এৱার্ড ২০১৭ য়েন্থোকখ্রে

*এস এন এস*

থৌবাল , জুন ২২ ঃ মমাঙ চহীশিংদা পাঙথোকপগুম হন্দকসু দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরি কম–য়ুঠ সেন্টর (দিএলসিৱাইসি) থৌবাল অথোকপম্না লাইরিক–লাইশু অমদি শান্ন–খোৎনবা য়াওনা তোঙান–তোঙানবা লমদা থোইদোক হেন্দোকপা মীওইশিংদা ১২রক শুবা ওইনা দিএলসিৱাইসি এৱার্ড ২০১৭ ঙরাং য়েন্থোকখ্রে।



খাঙবোক কেন্দ্রগী এমএলএ ওইরম্বী ওক্রম লন্ধোনি দেবীনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌবাল ম্যুন্সিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন টিঐচ শ্যামো সিংহনা থৌরম মপু অদুগা চরাংপাৎ জিপিগী উপ–প্রধান মাইবম ইবোপীশক সিংহ, থৌবাল ম্যুন্সিপাল কাউন্সিল ৱার্ড নম্বর–৭কী কাউন্সিলর ৱাই প্রেমাবতি দেবীনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সোভেনর অমসু ফোঙখি।

বোসেম অমসুং কোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ পরিক্ষাদা এরিয়া অদুগী মার্ক ৱাংনা ফঙদুনা মায় পাকখিবা ক্লাস টেনগী মহৈরোই ২২, ক্লাস টুয়েল্ভকী মহৈরোই ৬, সিবিএসই নিউ দিল্লিনা লৌবা ক্লাস টেন পরিক্ষাদা মায় পাকখিবা মহৈরোই ৫, টুয়েল্ভতা মায় পাকখিবা মহৈরোই ৪ অমদি তোঙান–তোঙানবা মশানশিংদা নেস্নেল অমসুং ইন্টর নেস্নেলগী থাক্তা মনা ফঙলক্লবশিং, মেডিকেল অমদি ইনজিনিয়ারিং তম্নবা খল্লবশিংদা শেলগী মনা সাইটেসন অমদি অচম্বা খুদোল পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

দিএলসিৱাইসিনা কোনবা এরিয়াগী খ্বাইদগী চহী য়াল্লবা অহল অহুমদসু সাল অমমম খুদোল তমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। তোঙান–তোঙানবা মীওইশিংনা কৎপা এৱার্ডশিংসু য়েন্থোকখি।

মখা তানা দিএলসিৱাইসিনা শীন্দুনা হৌখিবা জনুৱারি ২২দা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ লাইফ হায়বসিদা কাঙলূপ অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা লাই য়েকপা চাংদম্নবদা মকোক–মথঙ তাখ্রবশিংদসু মনা–মথুম য়েন্থোকখি।

চাংদম্নবা অদুদা ক্লাস থ্রিদগী ফাইভ ফাওবগী কাঙলূপতা কেঠোলিক স্কুল কানচিপুরগী পাইখোম্বা থোঙাম্না অহানবা, এলএম হায়স্কুল অথোকপমগী মহৈরোইশিং, লৈমপোকপম লোয়াঙম্বা মৈতৈ অমদি খাঙেম্বম মিনা লক্ষমি চনুনা মথঙশিংনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাদুনা মনা ফঙখি।

হৌখিবা এপ্রিল ২৩দা কাঙলূপ অনী থোক্লা খায়দুনা পাঙথোকখিবা ক্বিজ কম্পিটিসনদা এলএম হায়স্কুল অথোকপমনা কাঙলূপ অনীমক্তা অহানবা ওইখি। অদুগা এপ্রিল ৯দা পাঙথোকখিবা ক্লাস থ্রি অমসুং ফাইভকী স্পেল্লিং কম্পিটিসনদসু স্কুল অসিমক্কী মহৈরোইশিংনা মকোক–মথঙ তাখি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

# চেঙ য়েনবগী থবক ষ্ট্রিমলাইন তৌবিয়ু

## এমএলএনা শেঙদোক্ত্রবদি আইনগী মতেং...

লোয়ননা কোন্থৌজম কেন্দ্রগী ওইনা মসিগী চেঙ অসি চহী অদুগী জুন থাদগী ফংবা হৌখি।

কেন্দ্র অসিগী ওইনা থা ৬।৭কী বেকলোগ লৈ হায়বা য়াই। মসি মপুং ওইনা বন্দ ব্লোকেদ তৌবা অমসুং দিমোনিতাইজেসন লাকখিবদগী চেঙ চিংথোক্লবা হোৎনবদা প্রোব্লেম লাকপদগী চীংথোকপা ঙমহৌখিদে।

মদুগী মতুংদা মীখলগী নোটিফিকেসন থোক্লকপা অমসুং কোদ ওফ কন্দক্ট লাকি–খবদগী বেকলোক অসি লাকপনি।

মসিদা অনৌবা কেন্দ্রগী এম এল এনা থিগৎলুবদগী চেঙ অসি শিংলগে হায়রে হায়বসি য়ুম্ফম য়াওদনা ৱাফমনি। কেন্দ্র অসিগী চেঙশিং নোমিনি অমসুং এজেন্টশিংনা লোন্না য়োন্থোকই হায়বগী মতিক চাবা চে চাং পীবা ঙম্লবদি ইশানা ইরাল য়াজগে। করিগুম্বা প্রমান পুথোকপা ঙমদ্রবা অমসুং চেঙ শিংগৎলে হায়না মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা অসিগী মতাংদা শেঙদোক্ত্রবদি এম এল এগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎলগনি হায়খি।

কেন্দ্র অসিগী ওইনা এ এ ৱাই অমসুং পি ঐচ ঐচকী কার্দ পায়বা মীওই ৭২৩২গী মনুংদা কার্দ ১০১৪ দি দব্লিং চৎলম্বা থেংনখি। লোয়ননা ফোর্মদি থাগৎখ্রগা কার্দ ইশু তৌদ্রিবা আর সি নম্বর ফংলবা মীওই ১৩৫৪ লৈরি। মখোয়গী ওইনদি দিপার্টমেন্টনা চেঙ পীরক্তে।

কার্দ দব্লিং চৎপা কার্দ হোল্ডর ১০১৪ অসিগী শরুক য়াওরগা কেন্দ্র অসিগী অপুনবা চেঙ ফংবা য়াবা মীওই ৭২৩২ অসিগী পীরকপা চেঙ অসি ক্বিন্টল ১৬৫০ নি।

মহাক্কী মতমদা কার্দ ফংদ্রিবা মীওই ১৩৫৪ অদুসু অতৈগা চেঙ মান্ননা ফংহন্দুনা লাকখি। অনৌবা লৈঙাক লাকপদগী কার্দ ফংদ্রিবা আর সি গ্রুপশিং অসি চেঙ পীরক্তে হায়দুনা চেঙ পীবিদ্রে।

অমরোমদা কার্দ পায়বা মীওই ৭২৩২গী মনুংদা য়াওবা কার্দ দব্লিং চৎপা মীওই ১০১৪গী চেঙ শরুক অদুনা কদায়দা থমখ্রবগে হংখি। এ এ ৱাইগী কার্দ হোল্ডরশিংগী মরক্তা ভেরিফিকেসন তৌনবা মমাংদ ইম্ফাল ৱেষ্ট দি সিনা ওর্দর থোকখিবা লৈরবসু মরি লৈনবা দি এস ওনা হৌজিক ফাওবা ভেরিফিকেসন চত্থবীদবা কয়াসু লৈরি। মরম অসিনা দিপার্টমেন্টকী মরি লৈনবশিংনা মতম চানা তৌফম থোকপা থবকশিং পায়–খৎপীদবনা চয়েৎনবা কয়া লাক্লবগী মরম ওইরকপনি।

মরম অসিনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংনা মতম চানা লৌখৎফম থোকপা থবক মতম চানা লৌখৎপীদুনা লৈরিবা চয়েৎনবা অসি কোকহনবীয়ু। মমাংগী তার্মদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুংদা এন এফ এস এগী চেঙ য়েনবদা প্রোব্লেম লৈতনা য়েনখিবা কেন্দ্র অসি কোন্থৌজম কেন্দ্রনি হায়না সরতনা মখা তাখি।

# মহুড মিনিষ্টরনা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ফিভম য়েংশিনখ্রে

*এস এন এস*

থৌবাল , জুন ২২ ঃ মহুড মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা ঙসি থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মীওইশিংগা উন্নদুনা কাউন্সিল অসিগী মখাদা করি–করি চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু য়েংশিনখ্রে।

মহুড দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্ট গীৎকুমারসু য়াওনা চৎখিবা মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুবু তরাম্না ওক্লদুনা থৌবাল ম্যুন্সিপাল কাউন্সিলগী চিয়ারপার্সন টিঐচ শ্যামো অমদি মহাক্কী কাউন্সিলর অমসুং ষ্টাফশিংগা খন্ন–নৈনবা মীফম অমসু পাঙথোকখি।

খন্ন–নৈনবা অদুদা টিএমসিগী মায়কৈদগী সোলিদ ৱেষ্ট ভেহকল ৩, ৱাটর টেঙ্ক ১, কাউন্সিল অসিনা কোনবা মফমদা টোইলেট ৮ শানবা, থৌবাল বজার রিপিয়ারিং তৌনবা য়াওনা পুন্না পোইন্ট ১১ য়াওবা চার্টর ওফ দিমান্দ অমা পীশিনখি।

ম্যুন্সিপাল কাউন্সিল অসিগী মায়কৈদগী পূখৎলকপা ৱাফমশিং মীয়ামগী য়াইফনবা পায়খৎকনি, টিএমসিগী মায়কৈদগীসু থম্মোয় শেংনা থবক তৌবীনবা মিনিষ্টরনা কন্না হায়খি।

থৌবাল কৈথেলবু লূনা নান্না থমহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্তুনা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অসিগী মায়কৈদগী অঙম্বা মওংদা কৈথেল অসি তরু– তনান্না থম্নবা ৱাফমসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি হায়রি।

# রিকোল্লিং দি ইমার্জেন্সি ওফ ১৯৭৫কী থৌরম পাঙথোকখ্রে

*এস এন এস*

ইম্ফাল , জুন ২২ ঃ লোকটন্ত্র সেনানি সজ্ঘ মণিপুর চেপ্টরনা শীন্দুনা রিকোল্লিং দ ইমার্জেন্সি ওফ ১৯৭৫গী থৌরম থাংমৈবন্দদা লৈবা ইমা খুম্থোকহনবী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।




থৌরম অদুদা আরএসএসকী সজ্ঘ চলাক মণিপুর এ ব্রজকুমার শর্ম্মা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেলর প্রোফেসার আদ্যা প্রসাদ পান্দে, এলএসএস ইষ্ট ইন্দিয়াগী কনভেনর গোভর্ধন প্রসাদ অটল অমদি এলএলএস মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম ইবোতোম্বীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ১৯৭৫কী ইমার্জেন্সি মতমদা মীয়ামগী ঈহৌদা জেলদা লৈখিবা অমদি অৱা চৈথেংনঙখিবা মীওইশিংদা অচম্বা খুদোল পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা ৱারেপ মরিসু লৌখি।

ৱারেপশিং অদুদি ইমার্জেন্সি মতমদা কৈশুম শঙদা বন্দি ওই–খবা মীওইশিংগী সার্টিফিকেট অমদি মরী লৈনবা চে–চাংশিং অথুবদা পীথোক্লবা দাবী তৌবা, এলএলএস মণিপুর চেপটরদা ফ্রিদম ফাইটরশিংগী য়াইফ থৌরাংশিং সরকার অমসুং তোঙান–তোঙানবা সংস্থানশিংনা লৌ–খৎপীনবা খঙহনবগা লোয়ননা ফ্রিদম ফাইটরশিংগী ৱেলফিয়ার ফন্দ থম্নবগী ওইবা থবকশিং পায়খৎনবা ৱারেপ লৌখি।

# ইম্ফাল–উখ্রুল লম্বী বন্দ তৌরগনিঃ *জেএসি*

*এস এন এস*

ইম্ফাল , জুন ২২ ঃ খুন্দ্রাকপম নিঙোল বীমোলা দেবী (৫৪)গী লংলা–লংজিন নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা সরকার অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা খঙহন্দ্রবদি ইম্ফাল–উখ্রুল লম্বী মতম কক্তুনা বন্দ তৌরগনি হায়না জেএসি এগেন্স দ মিসিং ওফ খুন্দ্রাকপম নিঙোল বীমোলা দেবীগী কনভেনর কেঐচ সনায়াইনা লাউথোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবদা জেএসিগী কনভেনর সনায়াইনা হায়, ঙরাংদগী মফম খঙদনা মাঙখিবা বীমোলা দেবী অপোকপা লৈ–খদ্রবা গুলামচা সিংহ লম্লাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুংচনবা ইতম নুঙ্গোই মমাঙ লৈকাইদগীনি।

মহাক লিতান পুলিস ষ্টেসন য়ৌগদবা মিটর ৩০০ রোম ৱাৎলিঙৈ মফমদা লৈবা টি রোকি কৌবা মীওই অমগী য়ুমগী ভরা লৌরগা গ্রোসরি দুকান তৌদুনা চহী ৬–৭ রোম মফম অদুদা লৈরকখিবনি।

হিংনবগী লম্বী থীদুনা দুকান ফমদুনা লৈবী নুপী অমবু মফম খঙদনা মাঙখিবা অসি ইতম নুঙ্গোই মৈরাপায়বী অমদি ক্লবকী মেম্বরশিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল–উখ্রুল লম্বীদা গারী দ্রাইভর ওইবা জিবন কৌবা মীওই অমনা মীমোলা থীবা খঙদ্রে হায়না পাউ পীরকপদগী লৈকাইগী মৈরা পায়বী অমদি ক্লবকী মীওইশিং মফম অদুদা চৎতুনা য়েংলূবদা য়াম্না চিংননিঙাই ওইবা মওং অমদা দুকান অদু লৈরমখি।

দুকানগী পোৎ–চৈ চখায়রম্বা অদুনা চিংনবা অদু ফাওখিবনি। লম্লাই পুলিস ষ্টেসন অমদি লিতান পুলিস ষ্টেসনদা এফআইআর চন্দুনা মহাকপু থীবগী থবক চত্থরি অদুবু ঙসি ফাওবদি ফঙবা ঙমদ্রি। অদুনা নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা মহাক্কী লংলা লংজিন পুথোকপীয়ু। লোয়ননা মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনসু মতেং পাঙবীয়ু হায়নসু মখা তাখি।

লমায় ১ গী মখা

# পব্লিক ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম অমুক হন্না সিএমনা...

মহাক্লা মখা তানা হায়, লৈঙাক অসিনা বস ১৫০ লৈহন্দুনা হেন্না মপুং ফাহন্নবা পান্দম থল্লি। চীফ মিনিষ্টরনা থা অসিগী ২৫ দা হৌদোকপা নুমিৎ অসিগী ওইনা মীয়ানা সিটি বস সার্ভিস অমদি ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বস সার্ভিস শীজিন্নবদা টিকেট কক্তুনা লেম্না শীজিন্নবা য়াগনি।

লমদম অসিদা লম্বীশিং য়াম্না চিল্লিবা অসি সার্ভিস অসি লাক্লবদা খরা মখৈদি হন্থবা ঙম্লগনি। অদুবু হান্না মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনবদি ট্রাফিক কন্ট্রোল দিপার্টমেন্ট অমদি মীয়ামগা খূৎশম্ননা চৎমিন্নবা মথৌ তাই। ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেম অসি হেন্না চাউখৎনবা পব্লিক প্রাইভেট পার্টনরসিপগী মখাদা প্রাইভেট ট্রান্সপোর্টরশিং লৈহন্নবসু হোৎনগনি হায়রদুনা বস সার্ভিস অসিবু মায় পাক্লবা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু হায়নসু আপিল তৌখি।

মীফম অদুদা ট্রান্সপোর্ট দিরেক্টর সি অরথর ৱারচিয়ো অমদি জোইন্ট দিরেক্টর বিকে শর্ম্মসু শরুক য়াখি।

# পেন্সনগী শেনফম মপুং ফানা ফঙখিদ্রবশিংগী...

সেন্টরনা অহল ওইরবশিংদা পীবা খুদোংচাবা পুম্নমক মপুং ফানা মীয়ামদা ফংহনবা অসিনা গভর্ণমেন্টকী পান্দম ওইরিবনি। মসিগা লোয়ননা মশাগী চহি ৮০গী মখাদা লৈবা অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবা পেন্সনরশিংগী ফংফম থোকপা শেনফম অদু মান্নদবনা চহি ৮০ শুদ্রিবা মীওইশিংনা চহি ৮০ শুবগা প্রমোসন পীনবগী ৱাফমসু হৌদোকখিবনি।

মণিপুরগী ওইনা পেন্সনরশিংগী বেঙ্ক একাউন্ট হাংদোকপগী থবক অসি চাদ ১০০ লোইরে। লোয়ননা কনাগুম্বা বেঙ্কতা চৎপা ঙমদবা অহল ওইরবশিংগীদমক দি এস দব্লিউওশিংগা তান্নরগা বেঙ্ককী ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা মখোয়গী ফংফম থোকপা শেনফম অদু য়ুম য়ুমদা থিন্নবা খোঙথাংসু গভর্ণমেন্টকী নুমিৎ ১০০ নিগী থৌরাংগী মনুংদা য়াওরিবনি হায়খি।

হান্না কনাগুম্বা এজেন্ট শিজিন্নরগা ওল্ড এজ পেন্সন কার্দশিং অসি মীওই অমনা পায়রগা শেল কক্লগা পীরম্বা অদু থিংনবগীদমক পেন্সনরশিংগী কার্দশিং মশা মশাদা পায়হন্নবা থৌরাংসু গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলে হায়খি।

মমাংদা পীহৌদবা ইন্দিরা গান্ধি নেসনেল ওল্ড এজ পেন্সন স্কিমগী মখাদা বেকলোগ লৈহৌবা হৌখিবা চহি ইং ২০১৫গী সেপ্তেম্বরদগী ইং ২০১৬গী ফেব্রুৱারি ফাওবগী শেনফম অথুবা মতমদা য়েন্থোক্লবা থৌরাং লৌখৎলে হায়খি।

অমরোমদা অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংগী মতাংদা মী লৈতবা মফমশিংদা সেন্টর শাগৎপগী ৱাকৎ লাকপা অসি গভর্ণমেন্টনা য়েংশিল্লগনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# গুনেশ্বর শর্ম্মবু আয়ুসকী দাইরেক্টর হাপখ্রে

*এস এন এস*

ইম্ফাল , জুন ২২ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ আয়ুসতা ষ্টেট আয়ুস ওফিসার ওইবা অরিবম গুনেশ্বর শর্ম্মবু দাইরেক্টোরেট ওফ আয়ুসকী দাইরেক্টর হাপখ্রে।

হিরম অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সোনেলনা ওর্ডর অমা থোকখ্রে।

# ওন্নখিবা

পাউ–চে অসিগী জুন ২২,২০১৭কী ইশুদা এনকরগী পাউদা বাই লাইন ওইনা প্রবিন হাওবমদগী হায়বা রিপোর্টরগী হায়খিবদু শোয়বদগী হাপখিবনি। অইবা রিপোর্টরগী মিংদু ধনবীর হায়গদবনি। মসিগা লোয়ননা হেক থংনবা পাউ 'কেএসএগী কাদর ২৬ ...মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে' হায়বা হেদিং অদুদা কেএসএ হায়বদু ওন্নখিবনি মদুনা কেএনএফ হায়না পাবীয়ু।

ওন্নখিবা অসিগীদমক পাউ–চেসিবু নুংশিদুনা পাবীরিবশিংনা ঙাকপীগনি।

*–প্রুফ রিদর–*

লমায় ১ গী মখা

# কিবদগী ডাক্তর ...

ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরকি–খবদি খুঞ্জাশিংগী সেবা তৌরিবা মেদিকেল ষ্টাফশিংদা অকি তুজুংবা থোকহনবগী থৌওং মতুংদা অমুক তৌবীগনু হায়রদুনা কিবদগী শিবপুরি–খল প্রাইমারী হেল্‌ঠ সেন্টর থাদোক্তুনা লাকপনি। অসিদসু নত্তনা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না পাৎপাইমুন প্রাইমারী হেল্‌ঠ সেন্টরগী মেদিকেল ষ্টাফশিংসু সেন্টর অসি থাদোক্তুনা লাকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মসিদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এসপি ইবোমচা তরাম্না...

থৌরমদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবা মতমদা ইন–চার্জ এসপিগী থৌ পুরম্বা মুবিনা মাগী মতমদা পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিংদা অশোয়বা কয়া য়াওরবসু থবকশিং অদু মশাগী দ্যুটি ঙাক্লবা হোৎনবদা পুলিস ওফিসার অমনা তৌদবা য়াদবনি হায়বসি খঙফম থোকই। ডাঃ ইবোমচানা এসপি ইন–চার্জ ওইরক্লবা মতুংসিদা মমাঙগী ওফিসিয়েলশিংনা লোয়শিনবা ঙম্লমদবা থবক কয়া অমা পাঙথোররক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবা মমতদা নৌনা চান্দেলগী ইন চার্জ এসপি ওইরিবা ইবোমচানসু মহাক মশামক্কী ওইনদি গভর্নমেন্টকী ইমপ্লোয়ি অমা ওইনা থম্মোয় শেংনা মথৌ তৌগনি। পুলিস খক্তনা ষ্টেটসিদা শান্তি পুরক্কনি হায়বসি ওইথোক্লোইদবা মরম্না মীয়াম্নসু পূক্লিং থৌগৎপীদুনা মতেং পাঙবীনবা আপিল তৌখি। কায়নবগী থৌরম অদুদা মোরেদা লৈবা সিএসও শিংনা এসদিপিও এম মুবিদা খূদোল কয়াসু তমখি হায়রি।

# কম্মন এন্ত্রান্স টৈষ্টকী...

মসিনা মরম ওইরগা ঙসি লাওথোকখিবা পরিক্ষা অদুগী ফল অদু চৎনররোই লোয়ননা ফল অদু ককথৎনবা ওর্দর অমা ঙসি মহাক মশানা থোকখ্রে হায়না দাইরেক্টর এদুকেসন (এস) টি ঐচ কিরনকুমারনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হিরম অসিগী মতাংদা কনাগুম্বা অমত্তনা ৱাকৎ লাক্ত্রবসু অশোয়বা অদুনা মরম ওইরগা মহৈরোইশিংদা নিংহন্নবা য়াবা ৱাফম লাকপদগী পরিক্ষাগী ফল অদু ককথৎলগা ইনৌ নৌনা অমুক হন্না চে য়েংলগা অচুম্বা ফল অদু মীয়ামদা পীনবগীদমক খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

পনবা য়াবদি পরিক্ষা অদু তোঙান তোঙানবা সেন্টর ১৬ তা পাঙথোকখিবনি।

# হনুবা অমনা চহী ১১ গী...

লোয়ননা মহাকপু য়ুমদুদগী পুথোরক্তুনা মখোয়দা খূৎশিন্ননবা দিমান্দ তৌরুবনি হায়রি।

মসিদা মীয়ামদুবু তানখায়নবা হনুবসিগী মায়কৈদগী নোংমৈ বেরেলশিং পুথোক্তুনা কাপথোরকপদগী নাকল অনীগী মরক্তা নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা নোংমৈ কাপ্লদুনা উংখৎনখি হায়রি।

# এস পি ট্রাফিক পুলিসকী ওফিস...

মদুগী মখা তারকপদা সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসন অমা সি আই দি হেদক্কার্টরতা নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হাংদোক্কনি।

নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ৩.৪৫ চৎপা মতমদনা অহানবা বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী বঙ্কিট হোলদা পাঙথোকপা থৌরমদা কম্যুনিতি পোলিসিংগী থৌরাং ওফিসিয়েল ওইনা চীফ মিনিষ্টরনা হৌদোক্কনি।